**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-03-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মণিপুরগী রাজ্যপালনা আইন কাইনা পায়রিবা খূৎশু খূৎলাইশিং পীখৎলকবা থাখিবা মতম ঙরাং নুংথিল পুং ৪ দা লোইখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী খূৎশু খূৎলাই ১৯৬ খূৎশিন্নরকখি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্থবগী থবক চঙখবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎখ্রে, বঙ্কর ১৫ থুগাইখি।

**অমসুং**

৩) শ্রী অৰাংবৌ নিউমাই এম.এল.এনা হায়রি- তামেংলোং জিলাদা ফংবা উচেক লাংমৈদোংগী মখল মরি কন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামা মতেং তঙাইফদে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**পুলিস (এল) ঃ** মমাঙ থাগী তাং ১৩ দা রাজ্য অসিদা রাস্ত্রপতি সাসন লাকখ্রবা মতুং রাজ্যপাল অজৈ কুমার ভাল্লানা তোঙান তোঙানবা পুলিস স্তেসনশিংদগী লৌখিবা খূৎশু খূৎলাইশিং থিনগৎলকবা খঙহনখিবগী মতম ঙরাংনা লোইরে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং চুরাচান্দপুর, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং, জিরিবাম অমসুং ফেরজোল জিলাদগী পুন্না তোঙান তোঙানবা মখলগী খূৎশু খূৎলাই ১৯৬ খূৎশিন্নরকখি। চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা ও.সি চুরাচান্দপুরদা পুন্না খূৎশু খূৎলাই ১৩, ও.সি সঙাই কোর্টদা খূৎশু খূৎলাই ৫ , চুরাচান্দপুর পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎশু খূৎলাই ১০ খূৎশিন্নরকখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মোইরাং পুলিস স্তেসনগী মখাদা নরানসেনহাদা লৈবা অনিশুবা আই.আর.বিদা পুন্না খূৎশু খূৎলাই ৪৮ খূৎশিন্নরকখি। কৈবুল লমজাও পুলিস স্তেসনগী ও.সিদনা খূৎশু খূৎলাই ৭, কুম্বী পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎলাই ১০, লোক্তাক পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎশু খূৎলাই ১৪, মোইরাং পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎশু খূৎলাই ৯, বিষ্ণুপুর পুলিস স্তেসন ও.সিদা খূৎলাই ১০ খূৎশিন্নরকখি। থৌবাল জিলাগী ওইনা থৌবাল পুলিস স্তেসনগী মখাদা লৈবা অহুমশুবা আই.আর.বি খাঙবোক্তা পুন্না খূৎশু খূৎলাই ১৩ খূৎশিন্নরকখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা শগোলমাং পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎলাই ৪০ খূৎশিন্নরকখি। স্পিসিএল কম্মান্দো য়ুনিটতা ৭৯ খূৎশিন্নরকখি। তরুক শুবা আই.আর.বিগী সি.ঈ.ওদনা খূৎলাই ১৭, ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোদা খূৎলাহ ৪৪, ইম্ফাল ইষ্ট রিজর্ভ লাইনদা খূৎশু খূৎলাই ১৮, ইম্ফাল ইষ্ট ৱিমেন পুলিস স্তেসনদা খূৎলাই ৭, অন্দ্রো পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎলাই ৯, য়াইঙংপোকপী পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎলাই ২৩, হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা ১৮, থৌবাল দাম পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎলাই ৪, শগোলমাং পুলিস স্তেসনদা খূৎলাই ৬ খূৎশিন্নরকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ও.সি ইম্ফাল পুলিস স্তেসনদা খূৎশু খূৎলাই ৫, সিতি পুলিস স্তেসনদা খূৎলাই ২৫, ৱাঙ্গোই পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎশু খূৎলাই ৭, শিংজমৈ পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা খূৎশু খূৎলাই ১৫, লমশাংগী পুলিস স্তেসনদা ৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট সি.দি.ওদা ১১ খূৎশিন্নরকখি। ককচিং জিলাগী ওইনা ককচিং পুলিস স্তেসনগী ও.সিদা পুন্না খূৎশু খূৎলাই ৩১, জিরিবাম

জিলাগী ওইনা এস.পি.ওফিসতা খূৎলাই ১৬, ফেরজোল জিলাগী ওইনা ও.সি থালনোনদা খূৎশু খূৎলাই অনি খূৎশিন্নরকখি।

মণিপুরগী রাজ্যপালনা আইন কাইনা পায়রিবা খূৎশু খূৎলাইশিং পীখৎলকবা থাখিবা মতম ঙরাং নুংথিল পুং ৪ দা লোইখ্রবা মতুং সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, চুরাচান্দপুর, থৌবাল, ককচিং, কাংপোকপী, বিষ্ণুপুর, জিরিবাম অমসুং তামেংলোং জিলাগী মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। মদুদা পুন্না, খূৎলাই ৩৬, নোংমৈ মরু ১২৯, পোখায়বা য়াবা মচাক ৭, অতৈ পোৎলম ২১ অমসুং বঙ্কর ১৫ থুগাইখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস স্তেসনগী মখাদা লৈবা মোদাংপোক্তগী পোইন্ট ৩২ পিষ্টোল অমা, বেরেল গন ৫, গ্রেনেদ অহুম অমদি নোংমৈ মরুশিং ফাগৎখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসনগী মখাদা লৈবা শওম্বুং পাউরাবী খুলদগী মেগজিন য়াওবা ৭.৬২ এম.এম এস.এল.আর অমা, মেগজিন অনিগা লোয়ননা কর্বাইন অমা, নাইন এম.এম.পিষ্টোল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

থৌবাল জিলাগী নোংপোক শেক্মাই পুলিস স্তেসনগী মখাদা লৈবা লাংমৈথেক য়েরুমচিংদগী মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা কর্বাইন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, রিভোল্বর অমা, ফ্লেয়র গন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, নোংমৈ মরুশিং, ৱায়রলেস সেট অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

কাংপোকপী জিলাগী খেংজাং খূলদগী এস.এল.আর অনি, পোম্পী অনি, ৱায়রলেস হেন্দসেট অমা নোংমৈ মরুশিং ফাগৎখি। জিলা অসিগী হরাউথেলদা আই কাইনা শারম্বা বঙ্কর অহুম অমসুং কে.লাঙোম অমসুং খেংজাংদা শারম্বা বঙ্কর ১২ পুন্না বঙ্কর ১৫ থুগাইখি।

তামেংলোং জিলাগী কৈমাই পুলিস স্তেসনগী তাৎবুং খূলদগী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ মরি, শেমদোক্লবা রাইফল অমা, নোংমৈ মরু অমসুং ৱায়রলেস

সেট অনি ফাগৎখি।

**তামেংলোং(এল) ঃ** শ্রী অৱাংবৌ নিউমাই এম.এল.এনা হায়রি- তামেংলোং জিলাদা ফংবা উচেক লাংমৈদোং হায়রগা খঙনবা হোর্ণবিল মখল মরি রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা কন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু।

উচেক লাংমৈদোং কন্নবা পায়খৎলিবা খোঙথাংশিং মীয়ামদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্নবা পান্দমদা নোংমগী ওইবা মেগা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং তামেংলোং জিলাগী তামৈ মার্কেট সেটতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অৱাংবৌনা হায়-উচেক লাংমৈদোংগী মচা কোকপা মতমদা উচেকশিং অসি হাৎপনা উচেক মখল অসি মুৎখিবগী অচৌবা মরম অমা ওইগনি। মহাকা হায়-লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু নুংশিনা তৌবীবগা লোয়ননা উমংগী লৌমীনি হায়না খঙনরিবা উচেক লাংমৈদোংবু য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নসি।

তামেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনবা থৌরম অদুদা তরুক শুবা অসাম রাইফলসকী কেপ্তেইন রোহিট কুমার, তামৈ পুলিস স্তেসনগী ও.সি মোহমদ সাফি অমসুং তামেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও খারিবম হিটলর সিংহ অমদি খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি।

**রাজ্যপাল (এল) ঃ** লোক সভা সদ্যসা ডা.অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙরাং রাজ ভবনদা রাজ্যপাল অজৈ কমার ভাল্লাগা উনখ্রে। উনবা অদুদা, লুচিংবা অনিনা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট মিল্ক কো-ওপরেতিভ য়ুনিয়ন লিমিতেদকী মেনেজিং দিরেক্তর চোংথাম মালেমঙানবা সিংহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল অজৈ কুমার ভাল্লাগসু উনখি। উনবা অদুদা, য়ুনিয়ন অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমদি রাজ্য অসিদা লৈরিবা শঙ্গোম পুথোক্লিবা

মীওইশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউদমখি। য়ুনিয়ন অসিনা দেরি ফার্মরশিংবু শৌগত্তুনা হেন্না পোত্থোক পুথোকবা হোৎনরিবা অদুদা রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাঙ্গগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

**মেলা(এল) ঃ** মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৰা খাবৈশোইদা লৈরিবা ইনমেটশিংনা শাবা খূৎ শা হৈবগী পোত্থোকশিং য়োনবগী মেলা অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী কন্মিস্নর হোম এন.অশোক কুমারনা ইনমেটশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং য়েংবগা লোয়ননা মখোয়বু পুকিং থৌগৎখি। জেলদা লৈরিবা ইনমেটশিংদা মশা মরোমদোম থবক পীজদুনা অমসুং খূৎ শা হৈবগী ট্রেনিংশিং ফংহন্দুনা মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হল্লকবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল জেল শজিৰাদা ভোকেস্নেল ট্রেনিং কয়ামরুম পাঙথোক্লি।

সেন্ট্রেল জেল শজিৰাগী সুপরিন্তেন্দেন্ট এস.কে ভদ্রিকানা হায়-ইং ২০১৪-১৫ দগী হৌনা জেলদা লৈরিবা মীওইশিংদা ভোকেস্নেল অমসুং স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং কয়ামরুম পীদুনা লাক্লি।

**মৈ(এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেদ চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক কঞ্জুমর ৬৫ ফাগৎলে। মসিগী মথক্তা কঞ্জুমর ৪৬ কী মৈ ককথৎলে, মখা তানা মৈ নিয়ম লান্না শিজিন্নবশিং ফাবগী খোঙজং চংশিনগনি হায়রি।

**এআর(এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী বেরু খুদম খুলদা নৌনা শাবা কম্যুনিতি হোল অমা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে। অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী তুইলেলোনদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মীওই ১৫০ হেন্না লায়েংখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্যপালনা খূৎলাই পীখৎলকবা থাখিবা মতম লোইখ্রে, অরোইবা নুমিত্তা য়াল্লবা খূৎলাইশিং পীখৎলকখ্রে, মিজোরামগী রাজ্য সভাগী এম.পি ম্যান্মারগী লালহৌবশিংগা ৱারি শাখিবা, শান্‌গী পাউজেল পুবা খোঙচৎ শেম শাবা লোইরে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সরেন্দর তৌবগী মতম শাংদোরক্তবা য়াই, ওপরেসন চথখগদৌরি, অরোইবা নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা পুলিস স্তেসনশিংদা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং পীখৎনরকখ্রে অমসুং মিজোরামগী এম.পিনা ম্যান্মারদা চত্তুনা আর্ম গ্রুপশিংদা ইন্দিয়াগী সিতিজন ওইনবা ওফর তৌখ্রে, ইন্দিয়া লৈঙাকা করি খোঙথাং লৌখৎলকপগী য়েংবা তারি হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

খূৎলাই পীখৎলকবা গভর্ণরদা থাখিবা মতমগী অরোইবা নুমিত্তা খূৎলাইশিং পীখৎলকখ্রে হায়বগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ অমসুং মোর্নিং বেলদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মিজোরামগী রাজ্য সভাগী এম.পিনা ম্যান্মারগী ঙমখৈ লানশিল্লগা লালহৌবশিংগা উনখ্রে, মিজোশিং ওইবনা ইমুং মনুং ওইনা পুন্সিন্নবা হায়খিবনি হায়বা এম.পিগী ৱাফমা সনালৈবাক, পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোতোগা কোন্ননা ফোঙলি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস অমসুং পীপলস ক্রোনিকলদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

কুমসি চহীগী কোসেমা লৌবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনগী ফিজিক্স ক্বেসন পেপর লিক ওইবগী মতাংদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম অমসু মণিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইমনা ফাগৎলে-হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

এম.পি বিমোলনা গভর্ণর উনখ্রে, মণিপুর পুলিস মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা-ইচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মণিপুর মেলগী অহানবা লমাইদা ফোতোগা কোন্ননা ফোঙলি।

মার্চ ৮ দা ইম্ফালদগী সেনাপতি ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎলগনি হায়বা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাহজেসনগী ৱাফমা-পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা-নোংমগী ওইবা হোর্ণবিল কঞ্জরভেসন মেগা এৱ্যেরনেস কেম্প অমা তামেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা তাম্মৈ মার্কেট সেটতা পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মণিপুরদা পি.আর থমখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা নোংমৈ ৮০০ হেন্না লৌখৎপা ঙমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**